# নিরা আর্টস প্রদক্সনগী অহুমশুবা প্রদক্সন, বিজগুপ্তা লাইশ্রমগী 'য়ুমলৈমা'



নিরা আর্টস প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিনা ফেমিলি প্লেদা য়ুমফম ওইবা 'পায়ল' অমদি 'মঞ্জা' মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা চহি অসিগী অনৌবা খুদোল ওইনা পুথোক্কদৌরিবা 'য়ুমলৈমা' সুটিংগী অমদি ফাইনেল প্রোসেসিং থবক পুমলোই লোইদুনা প্রেমিয়র সো উৎননবা শেম শাদুনা লৈখ্রে।

ফেমেলি, রোমান্সতা য়ুমফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরি ফিল্ম অসিগী শমলপ্পা ৱারিদি ঃ- মংলেমজাও অমদি অহনবীগী মচানুপা য়াইফাবা মীয়াম্না পান্নবা মমিং লৈবা শৈশকপা অমনি। শৈশকা অমা ওইনা মাগী লোইনবী লৈমাগা লোয়ননা ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা ইমুংনি। অদুবু অচৌবা মরুপ অমগী এজেন্ট ওইরুবদগী শেন্দোলগী পোৎলুমনা নন্দুনা ৱানা খাংখি।

মারুপ ফংদোকখ্রবশিংনা শেল হুল্লক্তবদগী মরুপ্তু কায়খি। মরুপ ফংহৌদ্রবশিংনা শেল লৌবা লাকপদা ঙাওলম্বা চৈরম্বা কয়া অদুগী মথক্তা মমা-মপাগী অয়াকপা মীচৈনা অমুক্কা হেন্না চৈথেং পীদুনা ফাইফাবা অমদি লৈমাগী পুন্সিদা হিংবগী মহাও খঙদনা লেল্লম্মী। ঈশৈগী ওদর কুংনা ফংজরবসু অহোবনা পীক থল্লবা ইমুংগী অৱাৎ অপা মেনবদা হেন্ন-হেন্ন অৱাবা ওইরম্মী। অৱাবগী পোৎলুমদুগী মথক্তা মমিৎতা মচা উবা ফংদবগী চৈনা অমসু খঙজরিবী লৈমদো মনেমবোকনা পামলমদে।

মাগী মহুৎতা মচা লৈগদবা অতোপ্পা মৌ অমা থীবা পান্নম্মী অদুবু লৈমনদি মপুরোইবা অমদি মনেম-মকুবু য়াম্না নুংশিজবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা সেবা তৌজরম্মী। কবোকলৈগী মচানুপী ইচানতোম্বীসু য়াইফাবানা ঈশৈ তম্বীদুনা মী য়াম্না শকখংনবী মমিং লৈবী শৈশকপী অমা ওইরম্মী। য়াইমা অমদি কোমবীরৈগী মচানুপা চিংলেননা ইচনতোম্বীগী ঈশৈদা ঙাওজবগা লোয়ননা ইচনতোম্বীবু পামজরম্মী। ইচনতোম্বীগী মনাক নক্লবগীদমক মহাকসু শৈশকপা অমা ওইনবা হোৎনরকখি। নোংমা চিংলেন না মমা-মা পুদুনা য়াইফাবা গী ময়ুমদা ঈশৈ তম্বীনবা হায়জবা লাকখি অদুবু লাইবক থিবদি নুমিত্তুদা য়াইফাবাদি মীগী শেল শীংদবগী পুলিসনা ফাদুনা পুনবা থৌরাং তৌরম্মী।

মমিং লৈরবা শৈশকপা অমনা মীয়াম মমাঙদা ফংগদবা ইকায়বদু চিংলেনগী মপা য়াইমনা চোংথোক্তুনা কনবীবগা লোয়ননা য়াইফাবাগী অৱাবা পোৎলুমশিংদুসু থাংথবিখি।

য়াইফাবা, চিংলেনগী মপা য়ায়িমা না শেলগী অৱাবা কোমদগী চিংখৎপীবগা লোয়ননা অপোকপা মাংলেমজাওনসু মতম কুইনা তুংশিন দুনা থল্লকপা ইন্সুরেন্সকী শেনফম অমা ফঙদুনা মচাগী অৱাবা কোকখি।

শেন্দোলগী চৈনা কোক্লবা য়াইফাবা, মচা য়াওদবগী প্রোব্লেম অমা অমুক লাকখি। 'লৈমা তান্থোক্লবগী হোৎনবগী লানদু মায়োক্লবদা অৱাবা অমা ওইখি।

খুদিংমক্কী ফনবা খন্দুনা য়াইফাবা না অতোপ্পা নুপী অমাগী ৱাখল খনবা হৌরক্লে।

য়াইফাবানা মানা ঈশৈ তম্বীরিবী ইচনতোম্বীগী মমদা হৌদোকখি। লোয়ননা য়াইফাবা অমদি ইচনতোম্বী নুংশিনবগী মরিদা খোঙদামীনখি।

নাকন অমরোমদনা চিংলেননা ইচনতোম্বীবু পামজবদগী তকশিনবা হৌরকপগা লোয়ননা ইমুং অনিনসু মতেং পাংশিন্নরকখি। মদু ইন্থোক্লবা হোৎনবদা ইচনতোম্বীদা অৱাবা অমা ওইরক্লে।

য়াইফাবা অমদি ইচনতোম্বীগী নুংশিনবগী মরি অদু লৈমানা খঙলকপদগী লৈমানচিংবা কায়খি।



কনা তাকলমদনা মপান লমদম গুৱাহাটিদা চেনখি। লৈমানা য়ুমদু থাদোক্লমদ্রিঙৈ মমাংদা ইরম্বা চিঠি পারুবদা য়াইফাবাগী পুন্সিদা করি করম্বা অহোংবা য়াইফাবা গী পুন্সিদা করি করম্বা অহোংবা ওইরকখিবা হায়বদু ফিল্ম অসি য়েংলগা শুকশোই শোইদনা খঙলগনি। নিরা আর্টস প্রদক্সনগী অহুমশুবা প্রদক্সন ওইনা মীয়ামদা খুদোল তম্নবা শেম-শারীবা 'য়ুমলৈমা' হায়রিবা মণিপুরি ফিচর ফিল্ম, অসিদা য়াম্না নৌনা সেল্লুলোইদ ফিল্মশিং নম্ননরি মতমদা 'ফিল্ম ৬ / ৭ কী মথক্তা মাই পাক্লা শক্তম লাংবী অমা ওইনা মান্নদবা কেরেক্টর রোল কয়াদা মায় পাক্লা এক্ট তৌরম্লবা ঙসি ফাওবদা ব্রাইট ফিল্ম মণিপুরনা পুথোকখিবা 'ইরাল ওইরগে' (সেল্লুলোইদ) হায়রিবা ফিচর ফিল্ম অসিদা নিরা



কৌবী ওঝা অমগী শক্তম লাংখিববু ঙসি ফাওবা উনহৌবশিংনা 'ওঝা নিরা' হায়না শোন্নরিবী লৈমাগী শক্তম লাংদুনা লমদমসিগী ফিল্ম পামজবা ভাবকশিংদা অনৌনবা মহাও অমা পীনবা হোৎনগদৌরিবা ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি ঃ- গোকুল, অরাবা, বিজু, আরকে সনাজাওবা, ললিতাবী, ওজিৎ, বিন্দিয়া, তয়েঞ্জম মেম্মা, উমা, মং গোলজাও, সুরজিৎ, পমেশ্বরি, ঘানাশ্যাম, সোনিয়া, এসপি ইঙোচা, য়াইফাবী, তাথোইনচিংবানা ওইরি।

চাওরাক্লা পুং ২গা মিনট ৩০ রোম শাংগদবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসিগী লোকেসন, গুৱাহাটিগী মফম খরাগা, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফমশিংনা মরুওইবা সুটিং লোকেসনশিং ওইনা শিজিন্নরি।

ফিল্মগী লমদা অমুক নৌহৌননা পনলুদ্রগসু য়ারবা এক্সিরিয়েন্স লৈরবা শক্লাইরবা কয়ানা বেক স্ক্রিন দা লৈদুনা অনৌবা চহিগী, অনৌবা খুদোল অমা ওইনা তমগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী মেক অপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা নাওবী সলাম, কষ্টুমদা জিতেন অমদি রোমি, মুজিক দাইরেক্টর তোনি অহৈবম অমদি রনবীর থৌনা , কেমেরা- সুরজিৎকান্ত বিবি ইদিটর- সুরজিৎ বিবি, প্রোসেস এট বিবি ফিল্মস ক্লাকৈথেল নি।

ফিল্ম অসিদা চাওরাক্লা ৱার্কিং দেনা নুমিৎ ২১ ওইরি। মুজিক ভিদিও এল্বম কয়াদা মায় পাক্লা খুৎ থারিবা মীয়াম্না পান্নবদা নত্তনা মনা-মথুম কয়া ফংবা ঙমখ্রবা হেমন্ত খুমন অমদি লক্ষমা (পাম্বা) না কোরিওগ্রাফ তৌবা ঈশৈ অনীনা অয়েংবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরিবা নিরা আর্টস প্রদক্সন গী অহুমশুবা প্রদক্সন অসিগী প্রদুসরনা উরিখিনবম রোমেস নি।

ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টরনা বিজগুপ্তা লাইশ্রম নি। লমদমশিগা শক্লাইরবা ফিল্মগী স্ক্রিপট রাইট অমা ওইরিবা লাইমায়ুম ধনাচন্দ্র শর্ম্মনা প্রজেন্ট তৌদুনা পুথোক্কদৌরিবা নিরা আর্টস হায়রিবা বেন্নর অসিগী অনৌবা খুদোল ওইগদৌরিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'য়ুমলৈমা' হায়রিবা ফিল্ম অসিনা লমদম অসিগী ফিল্ম পামজবা ভাবকশিংদা অনৌবা মহাও অমা পীবা ঙমগদৌরিবা হায়বসি হৌজি কমক্কীদি ৱাহং ওইনা লৈজখিশনু, পাউখুমদি চৎলিবা থা অসিগী ১৯দা এমএসএফদিসিগী ওরিটোরিয়মদা উৎকদৌরিবা প্রেমিয়র সো অসিদা পুন্না খঙমিন্নরসি।

## ঐচ রাজেসে

## ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## ইম্ফাল ৱেষ্ট এস বিরেন্দ্র সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮
## বিএমএসসি অমদি এসকেৱাইসি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তৌবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বিএমএসসি গ্রাউন্দা টিম ৬না শরুক য়াদুনা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী অনীশুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা বিএমএসসি তবুংখোক অমদি এসকেৱাইসি অৱাং সেকমাই মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙনখ্রে।

চথরিবা লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা বিএমএসসি তবুংখোকনা এমপিএসসি মণিপুর পুলিসপু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা বিএমএসসি তবুংখোকনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকশিন্না শান্নদুনা এমপিএসসিগী মাইকৈদা মশিং থিঙমদবা এটেক্ট চথরকখি।

এটেক্টশিং অদুগী মহৈ ফঙলদুনা মিনট ৩০ চৎপদা বিএমএসসিগী জর্সি নম্বর ১০ বিজয়না মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা এমপিএসসিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা বিএমএসসিগী কিপরবু কয়ারক হান্না চায়েং তৌরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবদগী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা বিজয়গী গোল অসিনা এমপিএসসিদগী বিএমএসসিনা পোইন্ট অহুম মুনবা ঙমহৌখি।

মেটচ অসিদা এমপিএসসিগী গাংতে, অজয়, ফিমাতে, বিএমএসসিগী হেনরি অমদি রোসনদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মঙাশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা সিঐচআইকেএল লিলোং চাজিং অমদি ৱাইদিও হৈনৌখোমনেম্বী গোল ২-২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সিঐচআইকেএলনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৯ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ রোবার্টনা মেটচ অসিগী গোল একাউন্ট হাং দোক্তুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ৱাইদিওনা অনৌবা লালোং শিজিন্নরক্তুনা শান্নরকপগী হোৎনজমন ফঙদুনা মিনট ৩৭ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১২ খাইমিন্থাংনা গোল হন্দোক্তুনা ১-১ দা লৈখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুং ৱাইদিওনা এটেক্ট হেঞ্জিল্লক্তুনা মিনট ৪৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ সিঐচ চিংলেননা গোল অমগা হাপচিনদুনা ২-১ দা মাংজিল থাখি।

ৱাইদিওনা মাংজিল থারবা মতুং সিঐচআইনা অমুক মেটচ অসি লাকশিল্লক্তুনা গোল হন্দোরকপনা হোৎনরক্তুনা মিনট ৪৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৭ লানশিংঙম রিয়াংমৈনা গোল হন্দোক্তুনা ২-২ দা লৈহনদুনা মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা লোইশিনখি।

মেটচ অসিদা ৱাইদিওগী এন ওলেন, অনন্দ অমদি সিঐচআইপিএলগী লানশিংঙম রিয়াংমৈদা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

চথরিবা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮-১৯গী ঙসি ৬শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা এসকেৱাইসি অৱাং সেকমাইনা এনসি ক্লব খোংহাম্পাৎপু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদুনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা তবুংখোককী বিএমএসসি গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকপা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মাই পাকপগী গোল অদু অহানবা হাল্ফকী অহাপ্পা মিনট ৩৫ প্লস ১ দা এসকেৱাইসিগী জর্সি নম্বর ১১ এনজি বিশ্বরজিৎনা চনখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৪ গী অয়ুক পুং ১০ তাবাদা এমপিএসি অমদি ৱাইদিওনা অহানবা, নুংথিল পুং ১২.১৫ দা বিএমএসসি অমদি এনসি ক্লবনা অনীশুবা অমসুং নুংথিল পুং ২.১৫ দা সিঐচআইকেএল অমদি এসকেৱাইসিনা অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

## লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল

ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ
চাজিং ইনাৎ কনবা লুপনা শীন্দুনা মমাং থাগী তাং ২৫দগী টিম ১১না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চাজিং কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মিট ২০১৮-১৯ গী ১৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচতা এমআরসি চাজিং মাইরেনখোংনা এলসিদিসি লিলোং চাজিং মমাং লৈকায়বু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফ ফাওবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জাশিং ফঙনরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ০-০ দা লৈনখি।

অনীশুবা এমআরসিনা এটেক্ট হেঞ্জিল্লক্তুনা এলসিদিসিগী মাইকৈদা এটেক্ট চথরকপগী মহৈ ফঙলদুনা টিম অসিগী মায় পাক্লবা এমআরসি চাজিং মাইরেনখোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ কে দিংকুনা মিনট ৪০ অমদি জর্সি নম্বর ১১ কে নরেসনা মিনট ৪৭দা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এনএসএফসি নারান কোচিন ময়াই লৈকায় অমদি এমসি লিলোং চাজিং অৱাং লৈকায়গা শান্নরগনি।

ADMISSION NOTICE

KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL

(Co-education English Medium School)
AFFILIATED TO CENTRAL BOARD OF SECONDARY EDUCATION, NEW DELHI
Affiliated No. 1230047, School No. 31041
Sagolband Takyel Kolom Leikai, Imphal West

ADMISSION OPEN FROM PREPARATORY TO IX GRADE
CONTINUOUS BEST RESULTS IN CLASS-X


- Introduce Lego based Robotics & 3D Printing into the curriculum.
- Introduce Montessori method of Teaching
- Audio-visual teaching aids & smart class
- CCTV Camera of all class
- 24 hrs wifi internet on school campus
- Computer lab with wifi internet
- Full CCTV Surveillance on school campus
- Introduce RFID based smart attendance system in the school campus and the vans.
- Hygienic RO-Drinking Water
- Hostel Available for boys
- Van Service Available



SI/3001/30days alt

Prospectus & Registration form available at school
For more details please contact: Principal, Kindergarten Montessori School.
email: kindergarten.imphal@gmail.com
website: www.kindergartenimphal.in

## অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস
## ৱেঠলিফটিং অমদি জুদোদা মেডেল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিৎয়েং মখাদা থা অসিগী অহুমদগী মহারাষ্ট্রগী পুনেদা চথরিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসকী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড মেডল ১, সিলভর মেডল ১ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ১ লৌদুনা গেমস অসিদা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড মেডল ৫, সিলভর মেডল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৬ লৌরি।

ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী মেডলশিং অদু ৱেঠ লিফটিং মশান্নগী নুপীমচাগী কেজি ৬৪গী চহি ২১দা এস মিরুপামা দেবীনা গোল্ড মেডল লৌখি।

অদুগা মশান্না অসিগী নুপীমচাগী কেজি ৬৪গী চহি ২১ দা কে রোসিতা দেবীনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

চথরিবা স্কুল গেমস অসিগী ঙসি শান্নখিবা জুদো মশান্নগী মণিপুরগী এল রুবিনা দেবীনা কেজি ৫৭গী চহি ২১ দা সিলভর মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

## সুবোল টি-২০ বিসিটি টুর্নামেন্ট
## সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এমভিসিএ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৫দগী টিম ৭না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমদি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা চথরিবা অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিয়েল টি-২০ বিসিটি ২০১৯ গী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা এলসিসিসি লিলোংবু রন ৩৭ দা মায়থিবা পীদুনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ফাইনেল চঙখিবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট অহুম তুরগা রন ১৭০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা এলসিসিসি লিলোংনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩৩ খক্তমক লৌদুনা সাইক্লোননা থম্বা তার্গেট সিট্টিং য়ৌবা ঙমদবদগী মেটচ অসি সাইক্লোননা রন ৩৭ দা মায় পাকখি।

সাইক্লোনগী বেট্টিংদা থোইথোইনা বোল ৫০ দা রন ৭১, সসিকুমারনা বোল ৩০ দা রন ৬৩ অমদি রোহেন্দ্রোনা বোল ৩৭ দা রন ২৪ লৌখি। ইন্নিংস অসিগী এলসিসিসি গী বোল্লিংদা অকবরনা ৱিকেট অমা লৌখি।

এলসিসিসি গী বেট্টিংদা রাকেসনা বোল ২৪ দা রন ৩৯, সঞ্জিৎনা রন ১৬, জিলা ঙম্বানা রন ১৫ অমদি শ্রীনি য়াসননা রন ১৪ লৌখি। সাইক্লোনগী বোল্লিংদা টিকেননা ৱিকেট ৪, সুদিরনা ৱিকেট অহুম অমদি বিনোইনা ৱিকেট অমা লৌখি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ মায় পাক্লবা সাইক্লোনগী ৱিকেট ৪ লৌখিবা টিকেননা তাখি।

## বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল ২০১৮



ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৫ দগী টিম ১৫ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ২৮শুবা মেটচতা সিআরইএসএ বিষ্ণুপুর অমদি এলএফসি ঙাইখোঙ খুনৌ গোল অমত্তা চান্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা টিম অনীমক্না পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা মেটচ অসি লোইশিনখি।

মেটচ অসিদা সিআরইএসএগী জেক্সন অমদি এলএফসিগী পি রামেসতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা জিদিসি অমদি য়ুকেসিসিএলগা শান্নরগনি।

বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দ অসিদা থা অসিগী ২৫ দগী টিম ১২ দা গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা ১৩শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ১৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচতা এসএলও বিষ্ণুপুরনা টিঐচএএসসিও খা খুনৌবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এসএলওনা হকচিন্না শান্নদুনা টিঐচএএসসিওগী মাইকৈদা প্রেসর পীশিন্দুনা টিম অসিগী দিফেন্দরশিংবু মথৌ চিনহনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাকপগী এসএলওগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ গোরোসানা মিনট ১৭ দা অহানবা গোল চনদুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু অহানবা গোল চল্লবা মতুংগী মিনট ২ কান্নরগা মিনট ১৯ দা জর্সি নম্বর ১০ কিষননা চনখি।

মেটচ অসিদা মাইথিরবা টিঐচএএসসিও খা খুনৌগী সনাথোইদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

চথরিবা লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা দব্লিউ ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌ অমদি এসইবিএ নারান সেনাগা শান্নরগনি।

## সবুংখোক কপ ২০১৯

ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ
য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়র ক্লব সবুংখোকনা শীন্দুনা সবুংখোক প্লে গ্রাউন্দদা টিম ২১ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ৫ দগী চথরকপা ৪শুবা ষ্টেট লেবেল সবুংখোক কপ ২০১৯ (অন্দর ১৫) ৭-মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱাইদিসিএল পুংদোংবমনা লম্লাইএফসিবু মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা প্রি ক্বার্টরদা ৱাইএসদব্লিউসি (এ) না এসদিসি তাইগর কেম্পবু ৬-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গোলশিং অদু রোহেননা গোল ৪, চিতরঞ্জন অমদি অরুননা গোল অমমম চনখি। অদুগা এসদিসিগী জন্তেনা চনখি।

অহুমশুবা মেটচতা সেক্তা এফসিনা ওএনৱাইসিবু ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মরিশুবা প্রি ক্বার্টরদা ফাইনেল মেটচতা দেবশ্বরি এফএনা সনাকৈথেল এফসিবু ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

## অহুমশুবা পুপু কপ

ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ঃ
পেরেদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পিয়ুপিয়ু) না শীন্দুনা পুংদোংবম প্লে গ্রাউন্দা টিম ১২না গ্রুপ-মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা ঙরাংদগী চথরক্লিবা অহুমশুবা পিয়ুপিয়ু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭, নাইন মেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মরুপ এফসি হৈরোক অমদি কেএফসি খুরাই গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিদা মরুপ এফসিগী এ বিজুদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা পিৱাইসি পুংদোংবম অমদি সনামহি এফসি পুংদোংবম গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

পিৱাইপিসি পুংদোংবমগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ নাওথোইনা মিনট ১৭দা চনখি। অদুগা সনামহি এফসিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ রবিচন্দ্রনা মিনট ২৭দা চনখি।

হয়েংগী মেটচতা ৱাইএলকে অমদি হৈঙাংনা অহানবা, কেৱাইএফএ অমদি লমঙানবনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com